১৮ শুবা এসিয়ন গেমস ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকরতাদা হৌদোকখ্রে, ইন্দিয়াগী ফিরাল নিরজ চোপ্রানা পায়খ্রে

জকরতা, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী)ঃ

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্হৈশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরি হায়না মীয়াম্না লৌনরিবা চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমসকী ১৮ রক শুবা ইদিসন হৌদোকপগী থৌরম ঙসি ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকরতাদা লৈবা গেলোরা বুং কারনো মেন ষ্টেদিয়মদা চীং লেল্লবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে। ইন্দিয়াগী মশীং য়াল্লবা কন্টিনজেন্ট অদুগী মাঙজিল থাদুনা মচু অহুমগী ফিরাল অদু জেভলিন থ্রোগী জুনিয়রগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা নিরজ চোপ্রানা পায়খ্রে।

এসিয়াগী লৈবাক ৪৫ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ওফিসল ওইনা হৌদোকখিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস অসিদা এসিয়ন কন্টিনেন্টতগী লৈবাক ৪৫ দগী লাকপা এথলিট অমসুং ওফিসল ১০,০০০ হেনবনা তোঙানবা মশান্না ৪০ দা মকোক মথং তাবগী লম্বা তৌনগদৌরি। হায়রিবা গেমস অসি ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকরতা অমসুং থংনবা সিটি পালেম্বাংদা পূন্না মশান্নশিং অদুগী মকোক মথং তাবগী লম্বা তৌনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নবগী ফেষ্টিবেল অসি কুমজা ১৯৬২ দা অহানবা ওইনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবনি। মদুগী মতুং চহী ৫২ গী মতুংদা লৈবাক অদুনা অমুক হন্না এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা অমদি মালেমগী ওইনা য়েংনরুবদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা শান্নবগী কুম্হৈ অসিগী য়ূম্বু ওইরকপনি।

চহী অসিগী এসিয়ন গেমস অসিদা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা তাঙ্কক কয়া মীয়াম্না উবা ঙমখি। ইরান অমসুং ইরাককী টিমশিং এসিয়াগী ওইনা মকোক থোংবা এথলিট কয়া পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক অনী ওইরিবনি। অদুবু লৈবাক অনীগী মায়কৈদগী ঙসি ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস অসিগী হৌদোকপা নুমিৎতা মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা নুপী শান্নরোয়শিংনা লৈবাক অনীগী ফিরাল অদু পুদুনা শরুক য়াখি।

18th ASIAN GAMES
Jakarta
Palembang
2018

ইরানগী ওইনা নুপীগী শুটিংগী লমদা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবী শুটর ইলাহে অহমদিনা লৈবাক অদুগী কন্টিনজেন্ট অদুগী মাঙজিল থাদুনা ফিরাল পায়রগা এসিয়ন গেমস অদুগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

এসিয়ন গেমসকী পুৱারীগী হৌরকপদগী অমুক ফাওবা উখিদ্রিবা মওংদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী লৈবাক অনীগী শান্নরোয়শিং পূন্না হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থোকমিন্নরকপা অদুনি। মদুদা নত্তনা লৈবাক অনীগী শান্নরোয়শিংনা টিম ইভেন্ট খরদা অপূনবা কোরিয়াগী টিম ওইনা শরুক য়াদুনা লম্বা তৌগদৌরি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা থৌরম মপু ওইদুনা লৈবাক অদুগী ওইবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা এসিয়াগী লৈবাক ৪৫ দগী লাকপা শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিংদা নত্তনা ষ্টেদিয়ম অদুদা তিনখিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস অদুবু মীৎয়েং তাবা লাকখিবা মীওই লীশিং কয়াগী মমাঙদা গেমস অদু হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওফিসল অমসুং শান্নরোয় য়াওনা মীওই ৮০২ গী কন্টিনজেন্ট অমনা জকরতাদা লৈবা গেলোরা বুং কারনো মেন ষ্টেদিয়ম অদুদা হৌদোকপগী থৌরম অদু শরুক য়াখি। ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস অসিদা চাইনাগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসল ৮৪৫ শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কন্টিনজেন্ট অদু ওইখি। হৌখিবা এসিয়ন গেমস ১৭ অসিদা চাইনাগী মায়কৈদগী মেদল ফংবগী রেকোর্দ অদু অতোপ্পা এসিয়াগী লৈবাকশিংনা থুগায়বা ঙমদনা লাক্লি। হন্দকসু লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংনা মমাঙদা থমখিবা টিম চেম্পিয়ন ওইবগী রেকোর্দ অদু থম্লনবা চপ চানা শেম-শাদুনা লাকখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মমাঙদা শরুক য়াখিবা এসিয়ন গেমস কয়াদা ইভেন্ট খরদা গোল্ড মেদল ফংদুনা এসিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নবগী লৈবাক অমা ওইবগী মীংথোল ফংবা ঙল্লবসু হন্দক্কী ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস অসিদা লৈবাক অসিনা মমাঙগী এসিয়ন গেমস কয়াদা ফংখিদবা ইভেন্ট খরদা মেদল হেন্না ফংবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি।

মরুওইনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিসকী শান্নরোয়শিংনা ইভেন্ট পূম্নমক্তা মেদল ফংবা ঙমখি। মদুদা নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল য়াওখিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা মমাঙদা ইন্দিয়ানা এসিয়ন গেমসতা ফংখিদবা মেদল খরদি শুংশোয় শোয়দনা ফংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি। বেদমিন্টনগী লমদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা চাইনা, জপান, চাইনিজ টাইপৈ অমসুং সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিংবু লম্বা পীদুনা মেদল মুন্নবা হোৎনগদৌরি।

সাইমোনা হালেপ অমসুং রোজর ফেদরর চিনচিনাতিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

চিনচিনাতি, ওগষ্ট ১৮(এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী ওহাইও ষ্টেটতা লৈবা চিনচিনাতিদা পাঙথোকপা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাংলূপ্তা নুপীগা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী ওইনা মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী সিঙ্গলসকী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা শান্নরোয় ওইরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙরাং অথেঙবদা শান্নখিবা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় লেজিয়া সুরেনকোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা সাইমোনা হালেপ অমসুং লেজিয়া সুরেনকোনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা শান্নরকপা অদু হালেপকী মায়কৈদগী সুরেনকোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অহানবা সেট অদু ৬-৪দা থোয়দুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

হালেপ অমসুং সুরেনকোগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেটতা মালেমগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা য়ুক্রেনগী লেজিয়া সুরেনকোগী সার্ভিস গেম অহুম ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

সাইমোনা হালেপনা সেমি ফাইনেলদা বেলারসকী শান্নরোয় অরিনা সবালেনকোবকা লম্বা তৌনদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবা লম্বা তৌনগদৌরি। য়ুক্রেনগী শান্নরোয় অরিনা সবালেনকোনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা সীদেদ শান্নরোয় য়ু এস এগী মেদিসন কিজবু য়াম্না ৱাদবা মওংদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৮শুবা সীদেদ শান্নরোয় জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অমসুং নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। কিটোভানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বেলজিয়মগী ইলিসি বর্টেন্সপু ৭-৫, ৫-৭, ৬-৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা নেদরলেন্দগী কিকি বর্টেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সীদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী শান্নরোয় ইলিনা স্বিটোলিনাবু ৬-৪, ৬-৩দা থোয়রম্বনি।

নুপাগী কাংলূপ্তা মলেমগী মকোক মথং তাবগী পরীংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা স্বিজর্লেন্দগী শান্নরোয় রোজর ফেদদরনা চিনচিনাতি টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় ষ্টান ৱারিনকাবু ৬-৭(২-৭), ৭-৬(৮-৬), ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেলদা বেলজিয়মগী শান্নরোয় দেবিদ গোফিনগা লম্বা তৌনরগনি। গোফিননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোবু ৭-৬(৭-৫), ৭-৬ (৭-৪)দা মায়থীবা পীরমখি।

নুপাগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিককা লম্বা তৌনগদৌরি। জোকোবিসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কনাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিকপু ৭-৫, ৪-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকনা মহাক্কা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী শান্নরোয় পাব্লো কারেনা বুষ্টাবু ৭-৬(৯-৭), ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বনি।

পি ৱাই সীনা এস বি এন ৱাই সীবু মায়থীবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা হৌখিবা জুলাইগী ২৭ তগী হৌদুনা চথরল্লিবা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা পি ৱাই সী ফাইটোলনা এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাটপু মায়থীবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাট শান্নখি। মেচ অদু পি ৱাই সী ফাইটোলনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাটনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাফ তঙ্খায় চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল চন্নদনা লৈখি। মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা পি ৱাই সী ফাইটোলগী জর্সি নম্বর ১০ ৱিল্লিয়মনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনিট ৪ কান্নরগা মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী জর্সি নম্বর ১১ লালধোনিনা গোল অনী থংন-থংননা চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি ৱাই সী ফাইটোলনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা এস বি এম ৱাই সীগী তুকোন অমসুং মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। অনীশুবা হাফকী ৪৮ শুবা মিনিটতা এস বি এন ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ সুর্জিৎ তেলিনা পি ৱাই সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা গোল ১-৩ দা লৈখি। মেচকী ৬৫ অমসুং ৬৮ শুবা মিনিটতা পি ৱাই সীগী লালধোনিনা গোল অনী অমগা চন্দুনা মেচ অদু পি ৱাই সী ফাইটোলনা গোল ৫-১ দা লৈখি।

মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এস বি এন ৱাই সীগী মায়কৈদগী পি ৱাই সীগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা পি ৱাই সী ফাইটোলনা মেচ অদু মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহুমশুবা টিম ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা অজিস হাইদর, ভি জিওল অমদি ঈ তোমচৌনা সেন্টর রেফরি, এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ রেফরি ওইনা ওফিসিএট তৌখি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮

আর এফ এ তোপ সিফাইনা পি ৱাই পি সী পুংদোংবমবু গোল ১০-০ দা মায়থীবা পীরল্লগা খুমাঙ চাওশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস)ঃ নেরোকা এফ সী ফেন্স ক্লব ওরেঞ্জ বৃগেদনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকাইদা লৈবা এস সী কে গ্রাউন্দদা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং খুদিংগী লেপ্তুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা আর এফ এ তোপ সিফাইনা পি ৱাই পি সী পুংদোংবমবু গোল ১০-০ দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিদা খুমাঙ চাওশিনখ্রে।

টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্লুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী ৫৩ শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদা অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী এস এ ৱাই ও সী অৱাং খুনৌ অমসুং বি এফ সী সয়াং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা বি এফ সীনা এস এ ৱাই ও সীবু লাকচনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা বি এফ সী সয়াংনা এস এ ৱাই ও সী অৱাং খুনৌবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখি। বি এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোনিটনা মেচকী ২৪ অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা গোল অনী অমসুং মোমোনা মেচকী ৩৫ শুবা অমদি বালুনা মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। মেচ অদুদা এস এ ৱাই ও সীগী জর্সি নম্বর ১২ দেভিদ য়েল্লো কার্দ ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৪ শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবদা অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমসুং এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ শান্নখি। মেচ অদু এল কে ৱাই দি এনা কে ৱাই এফ এবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু গোগোচানা মেচকী ১৮ শুবা অমসুং ৩৭ শুবা মিনিটতা গোল ২ অমদি তোমথিনঙানবনা মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি।

৫৫ শুবা মেচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাঙ্খেম অমসুং এফ সী কে খাবম লমখাই শান্নগদবা মেচ অদু দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাঙ্খেম লাক্তবদগী এফ সী কে খাবম লমখাইনা ৱাকওভর ফংদুনা পোইন্ট ৩ ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৬ শুবা মেচ ওইনা মরিশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী বি এম এস সী তাওবুংখোক অমসুং বি এস য়ু কৈরাও শান্নগদবা মেচ অদু বি এস য়ু লাক্তবদগী বি এম এস সী তাওবুংখোকনা ৱাকওভর ফংদুনা পোইন্ট ৩ ফংখি। ৫৭ শুবা মেচ ওইনা মঙাশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী কে এস ৱাই সী খুরাই অমসুং এস টি এফ সী খুরাই শান্নগদবা মেচ অদু এস টি এফ সী লাক্তবদগী কে এস ৱাই সী খুরাইনা ৱাকওভর ফংদুনা পোইন্ট ৩ ফংখি।

৫৮ শুবা মেচ ওইনা তরুকশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী আর এফ এ তোপ সিফাই অমসুং পি ৱাই পি সী পুংদোংবম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা পি ৱাই পি সীনা আর এফ এবু য়াম্না কা হেন্না লাকচনা শান্নখি। লাকচনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আর এফ এ তোপ সিফাইনা পি ৱাই পি সী পুংদোংবমবু গোল ১০-০ দা মায়থীবা পীখি। আর এফ এ তোপ সিফাইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সুরজনা মেচকী ৩ শুবা, ৮ শুবা, ২৯ শুবা অমসুং ৩৭ শুবা মিনিটতা গোল ৪ চন্দুনা হেট-ট্রিক লৌখি। নাওবনা মেচকী ২৮ শুবা, ৩৫ শুবা অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা গোল ৩ চন্দুনা হেট-ট্রিক লৌখি। রনেন্দ্রজিৎনা মেচকী ৫ শুবা, চিংলেম্বনা মেচকী ২২ শুবা অমসুং মোস্কোনা মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৯ শুবা মেচ ওইনা তরেৎশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এ পি য়ু সী ও পোইরৌখোংজিন অমসুং এন ৱাই এস এ নিঙোম্থম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এন ৱাই এস এ নিঙোম্থম এ পি য়ু সী ও পোইরৌখোংজিনবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখি। এন ৱাই এস এ নিঙোম্থমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সচিন দেবনা মেচকী ১৫ শুবা অমসুং বাদলনা মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। মেচ অসিদা এ পি য়ু সী ওগী সাইমন্দনা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ ফংখি।

৬০ শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ বিগী মেচ ওইনা এস এফ এ কৈবী অমসুং য়ু জি এফ সী মন্ত্রিপুখ্রি শান্নখিবা মেচ অদু এস এফ এ কৈবীনা গোল ২-১ দা মায় পাকখি। এস এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সঞ্জিৎনা মেচকী ৪ শুবা অমসুং এম দি জহিমনা মেচকী ৯ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা য়ু জি এফ সীগী অমতা ঙাইরবা গোল অদুনা রোজরনা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

মণিপুরগী লঙাদি শান্নরোয় খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮(ঐচ এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১দগী ৩ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী নেলোর দিষ্ট্রিক্টা লৈবা পোষ্ট-বুচি রেদ্দি পালেমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০শুবা সেনিয়র মেন্স এন্দ ৱুমেন্স নেসনেল লঙাদি চেম্পিয়ন্সিপ, ২০১৮দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ৩০গা লোয়ননা ওফিসিয়ল ৪ খনখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট লঙাদি এসোসিএনসগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা খনগৎলবা শান্নরোয়না ওগষ্ট ১৯কী নুংথিল পূং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অৱাং লৈকিনথাবীদা লৈবা সান্তিপূর স্পোর্টিং ক্লবতা রিপোর্ট তৌরগবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

নুপাগীদা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি- এন টাইকোন, এ কে জোন্সন, ঐচ অমরকুমার, ঐচ পুনমকুমার, ৱাই গান্ধি, ৱাই নেপোলিয়ন, সি ঐচ দেবানন্দ, এল চিত্তরঞ্জন, দব্লিউ দিনাবন্ধু, কে ঐচ রকেশ, কেএসঐচ থোইবা, এম দাইমন্দ, কেঐচ চাওবা অমসুং এল বিক্রমনি। নুপাগী রিজর্বতা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি ও হেনরি অমসুং এন রোসননি।

নুপীগী ওইনা মণিপুরগী মহুৎশিনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- এল আইসোরিয়া, এল প্রিতিজিন্তা, এস সোফিয়া, ঐচ মেলোদি, কেঐচ বিদ্যলক্ষ্মী, টিঐচ অঞ্জলি, কেঐচ সনাথোই, কেঐচ অবেনাও, এ সন্ধ্যরাণী, এস ব্রেনি, এস অঞ্জলী, রিসিয়া হিজম, কেঐচ প্রিতি, পিঐচ পুস্পা অমসুং এল রাসেশ্বরিনি। টিম অসিগী ওইনা রিজর্ব শান্নরোয় অনী অদুদি এল রোস্নি অমসুং কেঐচ পুস্পানি।

ওগষ্ট ২৫দা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮(ঐচ এন এস)ঃ শিংজমৈ চীংঙামথক চোংথাম লৈকাইদাদা লৈবা কংলৈ চেছ একাদমীনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দগী ১৯শুবা চহী ১৫ মখাগী ওপন সটরদে অমদি সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি হায়না একাদমী অসিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইরিবা রাজকুমারা এপোলোস্না মঙাংনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা মখাতারদুনা টুর্নমেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা ওগষ্ট ২৪ ফাওবগী মনুংদা মথৌ তাবা চে চাং পূন্নমক পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

থাঙ-তা লোয়শঙগী থৌপুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮(ঐচ এন এস)ঃ থাঙ-তাবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্লবা অমসুং মশক মচু-মমেন থোক্লা মালেমদা শক্তাক্লবা থাঙ-তা লোয়শঙ সনা কোনুংগী ঙসি ফমখিবা জেনরেল বোদি মীফমদা চৎলিবা চহী ২০১৮ দগী মথং চহী ২০১৯ ফাওবা থৌ পুনবগীদমক একজিক্যুটিব কম্মিটি মীওই ১৭ খনখ্রে। প্রসিদেন্ট ওইনা টি ঐচ ইবোহলবী, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ও মংলেম অমসুং এ ওজেন্দ্রো, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা সী ঐচ সুনিলকুমার, ট্রেজরর ওইনা এম সুজবোরো, পব্লিসিটি ওইনা ৱাই দিজেন, জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা সী ঐচ টোনি অমদি এল রোবিন্দ্রো অমসুং অতোপ্পা একজিক্যুটিব মেম্বর কয়াসু য়াওরি।

HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

LOAN AVAILABLE
NO GUARANTOR
AREA COVER: MANIPUR STATE
TATA SUPER ACE-WILL DELIVER WITHIN 2 DAYS
> EMPLOYMENT NEWS:- MECHANIC-2/W(20-30yrs) Rs.8,000-Rs.15,000/- & SECURITY-GUNMAN(20-30yrs) Rs.6,000-Rs.Rs.17,000/-
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) P/M
> BUSINESS LOAN (12%)P/A
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com